## অশিবশিংগী লেমহৌবা শরুকশিং শিন্নখ্রে

সাফৱান, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি) :

দিক্টেটর সদ্দাম হুসেইন্না কুৱেটতা লান্দাবদগী শোক্লখিবা কুমজা ১৯৯১ গী গল্ফ লান্দা মাঙখিবা কুৱেটি সিটিজন ৪৮ গী হকচাংশিংগী লেমহৌবা শরুকশিং ইরাক্না শগোলশেল নুমিত্তা কুৱেটি ওফিসলশিংদা শিন্নখ্রে।

অসুম্না লান অদুদা থিবা খঙখিদ্রবা কুৱেটি সিটিজনশিংগী লেমহৌরিবা শরুকশিং ইরাক্কি ওথোরিটিশিংনা কুৱেটগী ওথোরিটিশিংদা শীন্নবসি য়ু এসনা কুমজা ২০০৩ দা ইরাক্তা লান্দাদুনা সুদাম হুসেইনবু চিংথুখিবা মতুংদা অহানবনি।

## পি এম কোন্তেনা প্রসিদেন্ট উনখ্রে

রোম, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি) :

ইতালিগী চুংশিন্নবা গভর্নমেন্ট কায়বা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়বা তোকঙা অমা শন্দোরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর গ্যুসেপে কোন্তেনা শগোলশেল নুমিত্তা প্রসিদেন্ট সর্গিয়ো মতারেলাগা উনদুনা হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেল ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

## বেঙ্কোক্তা পরিং নাইনা বোম পোকখায়বখিবগী থৌদোক পোলিটিক্সকা মরী লৈনরম্বা য়াই : পুলিস



বেঙ্কোক, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি) :

থাইলেন্দগী কেপিটেল বেঙ্কোক্তা হৌখিবা চয়োলদা থোকখিবা পরিং নাইনা বোম পোকখায়খিবগী থৌদোক অদু পোলিটিক্সকা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না থাই পুলিসনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ওথোরিটিশিংনা এটেকশিং অদুগা মরী লৈননা চিংনবা মীওই ১০ হেন্না ফাননবা থৌরাংশিং লৌখৎলকখিবগা ইরোইননা থাই পুলিসনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, চাইনা অমসুং মালেমগী অতৈ পৱারশিংগী দিপ্লোমেটশিংসু শরুক য়াখিবা সাউথ ইষ্ট এসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী ওইবা মীফম অমা বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা বোম মচা ৬ অমদি মৈ হৌহন্নবগী দিভাইস ৬ সিটি অসিমক্তদা পোকখায়খিবনি।

বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদুদা মীওই ৪ অশোক-অপন নংখিবগা লোয়ননা পুলিসনা অহানবদা এটেকশিং অদু থাইলেন্দগী মুস্লিমশিংনা নম্মা তাবা খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা লালহৌবগী ইরাংগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা ফোঙদোকখি।

লমদম অদুগী মীহাৎ-মীপুন য়াওবা লালহৌবগী ইরাং অদুদা কুমজা ২০০৪ দগী হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ৭,০০০ শিখ্রবনি। ইরাই নুমিত্তা ফাখিবা চিংনবা মীওই অনী ইরাং লৈবা লমদম অদুগী নারাথিৱাট প্রোভিন্সতগী ওইখি। মখোয় এটেকশিং অদুদা চেন্নবনি হায়বা চিংনবা মীওই ১৫ গী মনুং চল্লিবনি। তৌইগুম্বসুং মখোয় লোইনমক লালহৌবগী ইরাং লৈবা খা থংবা লমদমগা মরী লৈনদে অমদি মখোয় খরদি লৈবাক অদুদগী চেনখিবা ফাওবা লৈরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা পরিং নাইনা বোম পোকখায়খিবদু পোলিটিকেল ইশ্যুশিংগা মরী লৈনরমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ইরাই নুমিৎকী এটেকশিং অদুগী মতুংদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা পুলিসকী ন্যুজ কনফরেন্স অদুদা পুলিস চীফ চাকটিপ চাইজিন্দানা হায়খি। মহাক্না মখা তাবা অকুপ্পা ৱাফম কয়া পনখিদ্রবসু মমাংদা থোকখিবা বোমগী কেস চাদা ৮০ দগী ৯০ ফাওবদি পোলিটিক্সকা মরী লৈনখি হায়বা ৱাফম থমখি। পনবা য়াবদি, মিলিটরি কূ অমগী মতুং চহী ৫ কান্নরগা হৌখিবা মার্চতা থাইলেন্দদা কন্না লম্বা তৌনখিবা মীখল অমা পাঙথোকখিবনি।

## ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেলগী লান্মী অমা পলিষ্টিনিয়ন অমনা থাঙনা থিন্দুনা হাৎখ্রে



ওফরা, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি) :

ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা জ্যুৱিস সেট্টলমেন্ট অমগী মনাক্তা শগোলশেল নুমিত্তা ইজরেলি লান্মী অমগী অশিবা হকচাং তাদুনা লৈবা উনখিবগা লোয়ননা মিলিটরিনা লান্মী অদু পলিষ্টিনিয়ন এটেক্কর অমনা থাঙনা থিল্লগা হাৎলম্বনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেলি মিলিটরিনা সিভিলিয়ন ফিজোল শেৎপগা লোয়ননা মশাদা খুৎলায় য়াওদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা লান্মী অদু ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা জ্যুৱিস সেমিনরি অমগী মহৈরোয়নি। সেমিনরি অদুদা নহা ওইরিবা জ্যুৱিশিংনা আর্মর্দ ফোর্সেসকী সর্ভিসকা লোয়ননা লাইনিং লন্বীগী ওইবা মহৈ কয়াসু তম্লিবনি। ইজরেলি মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, মশাগী চহী ১৯ রোম ওইগদবা ইজরেলি লান্মী অদুগী হকচাং অদু হেব্রোন সিটিগী অৱাংদা লৈবা সেট্টলমেন্ট অমগী মনাক্তা থেংনখিবনি। মহাক পলিষ্টিনিয়ন অমনা চথুখিবা থাঙগী এটেক্তা শিখিবনি। অমরোমদা, মীশি অদুগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা গ্রুপ অমা নৎত্রগা মীওই অমত্তনা ক্লেম তৌরকখিদে। লান্মী অদু কিদনেপ তৌনবা হোৎনবদ শিখিব্রা হায়বগী মতাংদা ইজরেলি ওথোরিটিশিংনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

## পাকিস্টানগী ওপোজিসন লিদর মরিয়াম নাৱাজ নাবনা ফাখ্রে



লাহোর, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি) :

পাকিষ্টানগী এন্টি-করপসন ব্যুরোনা শগোলশেল নুমিত্তা ওপোজিসন লিদর মরিয়ম নৱাজ ফাজিনখ্রে হায়না মহাক্কী পার্টি পাকিস্টান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) পার্টিগী স্পোক্সপর্সন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফকী মচানুপীসু ওইরিবা পি এম এন-এনগী লুচিংবী অসিবু নাবনা ফারিবসি সরিফকী ইমুংনা মায়োক্নরক্লিবা করপসনগী চার্জশিংগা মরী লৈননা ফাবা পুনবগী খ্বাইদগী নৌবা থৌদোকনি।

মরিয়ম নৱাজবু ফারিবদু মহাক্না মহাক্কী মতুং মৌপ্পা থোকপা য়ৌসফ অব্বাসকা লোয়ননা গ্রাফকী কেস অমদা কনভিক্ট তৌবদগী ফাদুনা থল্লিবা মহাক্কী অপোকপনা লৈরিবা লহোরগী জেল অমদা চৎননবা হোৎনরিঙৈদনি। মরিয়ম অমসুং অব্বাস চৌধুরি সুগর মিলস কেসকা মরী লৈননা ফারে হায়না মহাক্কী পি এম এল-এন পার্টিগী স্পোক্সপর্সন অজমা বুখারিনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।

কেস অদু চহী ৩০ রোম পাকিষ্টানগী পোলিটিক্স দোমিনেট তৌরকখিবা সরিফকী ইমুংনা চল্লাইবা সুগর মিল অমগা মরী লৈনরিবনি। অমরোমদা, ইমুং অসিনদি কেসশিং অদু পোলিটিকেলগী ইথিল অমগা লোয়ননা মখোয়গী মায়োক্তা লৌখৎলক্লিবনি হায়রি।

মরিয়ম নৱাজ অসি প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান অমসুং পাকিষ্টানগী মতিক ময়াই লৈরবা মিলিটরিবু ইফোং ফোংনা ক্রিটিসাইজ তৌরিবা ওপোজিসনগী মশক নাইবা মীওই খরক্কী মনুংদা অমনি। মহাক্না হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা মহাক্কী পার্টিনা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমসুং রেলিনচিংবশিংদা অথিংবা কয়া পীখি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর অমদি মিলিটরিবু মহাক্না মরাল শীখি।

অমরোমদা, খান অমদি মিলিটরিনা পি এম এল-এন পার্টিবু সেন্সর তৌবা নৎত্রগা সরিফকী ইমুংগী মায়োক্তা লৌখৎলিবা কেসশিং অদু পোলিটিকেল ইথিলদগীনি হায়বা ৱাফম য়াখিদ্রে। নেসনল একাউন্টেবিলি ব্যুরো হায়না খঙনবা ফেদরেল এন্টি-করপসন ফোর্সনা মরিয়ম অমসুং অব্বাস ফারে হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

## হোং কোংদা প্রোটেষ্ট কনখৎলকপা য়াবগী ফিভম লৈবদগী য়ু এসনা সিটিজনশিংদা চেকশিন্নবা খঙহনখ্রে

হোং কোং, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি) :

পুলিসকা কন্না মুক্নখিবা ষ্ট্রিট প্রোটেষ্টশিং য়াওনা হোং কোংদা থা কয়ামুক মীয়ামগী ইরাং লৈরকখিবগা লোয়ননা চাইনিজ টেরিটরি অদুদা চৎলিবা নৎত্রগা চৎনবা থৌরাংলিবা অমেরিকান বিজিটরশিংনা য়ারিমখৈ চেকশিন্নবা ঙহল্লদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সিটি অদুদা চৎপগী মতাংদা ট্রাভেল ৱার্নিং ইশ্যু তৌখ্রে।




এসিয়াগী ফাইনান্সিএল হব অদুদা চথুরিবা প্রোটেষ্টশিং অদু হৌজিক্তি মরী লৈনবা থবক থৌরম অপুম্বা লেপহনখ্রবা প্রপোজ এক্সট্রাদিসন লো অমগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্নুনা হৌখিবা ওইরবসু হৌজিক্তি সিটি অদুগী গভর্নমেন্টতা হকথেংননা শীংনবগা লোয়ননা সিটি অদুদা মপুং ফাবা দেমোক্রেসি থম্নবা তকশিনবা অচৌবা ইহৌ অমা ওল্লক্লে।

হোং কোংগী প্রোটেষ্টশিং অমসুং মুক্নবশিং অদু পুলিসনা হান্না রেলি নৎত্রগা খোঙচৎ পাঙথোকপগী অয়াবা পীখিবা মফমশিংদগী অকোয়বা মী তাবা মফমশিংদসু শন্দোরক্লে হায়না য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মসিগী ৱেবসাইটতা থাগৎলকখিবা এদভাইজরি অমদা পনখি।

মখা তানা এদভাইজরি অদুদা দেমোনষ্ট্রেসনশিং হান্না খঙহনবা লৈরবসু নৎত্রগা খঙহন্দ্রবসু খুদক্তা হেক্তা পাঙথোরকপা য়াই অমদি মখা তানা পাঙথোরকখিবনি হায়বগী থাজবা লৈ হয়না পনখি।

ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী এদভাইজরি অদু পোইন্ট ৪ গী স্কেলদা থাক অনীফাওবগীনি হায়রি। অমরোমদা চাইনানা য়ু এসতা হোং কোংগী কা হেনবা চৎপা পাম্বা মীওইশিংদা অরানবা মওংদা ইথিল পীদনবা তকশিল্লিবনি। প্রোটেষ্টশিং অদুনা কুমজা ২০১২ দগী লৈঙাক্কী পৱার পায়রকখিবা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংদা অচৌবা শীংনবা অমা পীখি।

## মাঙখিবা য়ু কেকী সাইন্টিষ্টকী হকচাং লৈরম্লে



এথেন্স, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি) :

গ্রীসকী এজিএন ইথৎ ইকারিয়াদা কোইবা চৎখিবদগী থিবা খঙলকখিদ্রবা বৃটিশ সাইন্টিষ্ট অমগী অশিবা হকচাং গ্রীক সর্চ ক্রুশিংনা মহাক্না লৈরিবা মফমদুগা নক্নবা অরুবা লোকচপ অমদা তারম্বা থেংনরে হায়না ওথোরিটিশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, সাইপ্রসতা বেজ তৌবা মশাগী চহী ৩৪ শুরবী বৃটিশ এষ্ট্রোফিজিসিষ্ট নাতালি ক্রিষ্টোফরগী হকচাং অদু ফুট ৬৫ লুবা লোকচপ অমদা তারম্বা থেংনখি। লৈখিদ্রবী সাইন্টিষ্ট অসি হৌখিবা নিংথৌকাবদা মহাক্কী সাইপ্রসকী পার্টনরনা মাঙখ্রে হায়দুনা পুলিসতা রিপোর্ট তৌরকখিবনি।

ক্রিষ্টোফরনা অয়ুক্তা শাজেলগী ওইনা চেনখিবা মতুংদা লাকমন্দবদগী মহাক্কী পার্টনরনা পুলিসতা পাউ পীখিবনি। মীশি অদু করি করম্না থোকখিবনো হায়বগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে। শগোলশেল নুমিত্তা ওটোপসি অমা পাঙথোক্নবা লেপখিবনি। রেস্ক্যুরশিংনা গ্রীক্কী ষ্টেট ঈ আর টি ভিদা ফোঙদোকখিবদা, নুপী অদু চীং কাবদা শোয়বদগী লোকখাদা নাম্থুখিবনা শিবা য়াবগী ফিভমদা অশোক-অপন নংখিবগী মওং মাল্লি। ক্রিষ্টোফরনা ইথৎ অদুদা কোইবগী লৈরিবা মফম অদুদা পুলিস ওফিসরশিং, ফয়ার ফাইটরশিং, ভোলন্টিয়রশিং অমসুং কোষ্ট গার্দনা কন্না থি হুমদুনা লাকখিবনি।

লোকচপ অমদি অঙম্বা চীংগী শরুকশিং তাবা য়াবা লন্বীশিং লৈরিবা মফম অদুদা চথুরিবা থিবা হুম্বগী থবক অদুদা মতেং পাংনবগীদমক্তা স্পেসলাইজ পুলিস য়ুনিট অমা জিওলোকেসন ইক্বিপমেন্টগা কোন্ননা ইথৎ অদুদা থাখি। সিপ্রয়ট ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী মখোয়না গ্রীক সর্চ ক্রুশিং অমসুং নুপী অদুগী ইমুংগী মীওইশিংগা কুপ্না পাউ ফাওনরি হায়না ফোঙদোকখি।

সিপ্রিয়ট ষ্টেট অমদি ঐহাক ইশামক্কী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা মীশি অসিগী মতাংদা ইমুং মনুং অমসুং ক্রিষ্টোফরগী মরুপ মপাংশিংদা পেন্দবা অমদি অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না সিপ্রিয়ট জষ্টিস এন্দ পব্লিক ওর্দর মিনিষ্টর জোর্জ সভিদেসনা অশিবা হকচাং অদু মশক খঙবগী পাউ ফংলবা মতুংদা ফোঙদোকখি।

## য়ু এসকী অথিংবা শৌগৎপগীদমক মাদুরোনা ওপোজিসনগা ৱারী শানবা লেপ্লগনি হায়খ্রে

কারকাস, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি) :

য়ু এসনা ভেনিজ্যুএলাদা মপুং ফারবা শেল-থুমগী অথিংবা থল্লকপদা শৌগৎপা ফোঙদোকখিবা ওপোজিসনগা মখা তাবা রাওন্দগী ৱারী শান্নবা লেপ্লবা গভর্নমেন্টনা ৱারেপ লৌরে হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থোকখিবা গভর্নমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না মাদুরোনা মহাক্কী দেলিগেসন্দা নোরৱেনা শীন-লাংদুনা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নবগী মফম ওইরিবা বার্দোসতা চত্তনবা খঙহনখ্রে। ওপোজিসনগী লুচিংব জুৱান গুৱাইদোনা খ্বাইদগী নৌবা য়ু এসকী অথিংবশিংবু শৌগৎপা ফোঙদোকখিবদগীদমক্তা মাদুরোনা মহাক্কী গভর্নমেন্টগী দেলিগেসন্দা ৱারী শান্নবা চত্তনবা খঙহনখিবনি হায়না ইফে ন্যুজগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

কম্যুনিকেসন্স মিনিষ্টর জোর্জ রোদ্রিগিজনা ত্বিটরদা থাগৎখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না ভেনিজ্যুএলাগী মায়োক্তা লেপ্পা লৈতনা মীনুংশি অমত্তা য়াওদবা মওংদা অকন-অরিং শীংবগী থৌওং কয়া চথুরকপগা মরী লৈননা হন্দক্কী মতাং অসিদা প্রসিদেন্ট মাদুরোনা ভেনিজ্যুএলগী দেলিগেনি অদু বার্বাদোসতা থাদনবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না পনখি।



ওপোজিসন দেলিগেসনগী মকোক জুৱান গুৱাইদোনা অসিগুম্লবা লৈবাক্কী ওইনা মাঙনিংঙাই ওইরবা থবক থৌওং কয়া শৌগৎপগী মওং অসিদা ভেনিজ্যুএলাগী মীয়াম্না অদুক্কী মতিক নুংনাংবা ফাওই হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা মখা তানা পনখি।

অমরোমদা, গুৱাইদোনা খনখিবা ভেনিজ্যুএলান ওপোজিসন দেলিগেসনদি বার্বার্দোসতা মাঙজে ৈননা চৎখ্রবনি। বোলিভেরিয়ন গভর্নমেন্ট অমদি ওপোজিসনগী মরক্তা চথনবা শীল্লিবা মীফম অদু শগোলশেল অমসুং ইরাই নুমিত্তা পাঙথোক্কদবনি। মসিনা ইথৎ অদুদা পাঙথোকপা নাকল অনী ৱারী শান্নবগী অহুমশুবা রাওন্দ ওইগদবনি। হৌখিবা নিংথৌকাবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কোংগ্রেসতা চেরোল অমা ইদুনা ভেনিজ্যুএলান গভর্নমেন্ট অমদি মরী লৈনবা এন্টিটি পুম্নমক্কী য়ু এসতা লৈরিবা এসেট খুদিংমক ফ্রীজ তৌনবা ওর্দর তৌরগনি হায়না খঙহনখিবনি।

## কম্মর্সিএল ভেসেলশিংনা গল্ফতা চৎত্রিঙৈদা পাউ পীনবা খঙহনখ্রে



দুবাই, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি) :

য়ু এসকী ফিরাল থেৎপা কম্মর্সিএল ভেসেলশিংনা গল্ফকী ঈশিংদা চৎনবগী থৌরাং লৈবা তারবদি মখোয়না ট্রাঞ্জিৎ প্লানশিং মাঙজৌননা অমেরিকান অমসুং বৃটিশ নেভেল ওথোরিটিশিংদা পাউ পীদুনা খঙহনগদবনি হায়না য়ু এস মরিটাইম এজেন্সিনা ভেসেলশিং অদুদা খঙহনখ্রে।

গল্ফতা ইরান চেন্নবা ওইল ভেসেল কয়া মাঙহন তাকহনবা অমদি ফাবগী থৌদোক কয়া পরিং নাইনা থোকখ্রবা মতুংদা এজেন্সিনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ মনাক্তা টেঙ্কর কয়াদা এটেক তৌখিবা অমদি কম্মর্সিএল ভেসেলশিং ফাজিনখিবগী থৌদোকশিংনা মিদল ইষ্টকী থাউ পুথোক্লিবা লৈবাকশিংগা মালেমগী থাউগী কৈথেলশিংগা শম্নহল্লিবা সিপ্পিং লেনশিংদা চৎথোক-চৎশিনগী মতাংদা লৈখায় তাদবা খুদোংচাদবা ফিভম অমা লাকহনখিবনি।

ষ্ট্রেট অদুদা টেঙ্কর কয়াদা চথুখিবা এটেক কয়াগী মতাংদা লমদম অদুদা মিলিটরি ফোর্সকী মতিক ময়াই কন্না হেনগৎহন্নবা হোৎনরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানবু মরাল শীবদা টেহরান্নদি কন্না য়াদ্রিবনি। ইরান্না বৃটিশ ফিরাল থেৎপা টেঙ্কর অমা ফাজিনখিবা মতুংদা কম্মর্সিএল ভেসেলশিং ঙাক শেন্নবগীদমক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা গল্ফতা শেমগৎলিবা মরিটাইম সিক্যুরিটি মিসন অমদা শরুক য়ারগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা বৃটেন্না লাউথোকখি।

লমদম অদুদা মিলিটরিগী থবকশিং কনখৎলকপা অমসুং পোলিটিকেলগী উংখৎনবা হেনগৎলকপা অসিনা কম্মর্সিএল ভেসেলশিংদা চাওনা অকিবা পোকহল্লে হায়না মরিটাইম এদভাইজরি অমদা পনখি।

## কির্গিজ প্রসিদেন্টনা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎনবা খঙহনখ্রে

বিসকেক, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি) :

সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট অলমাজবেক অতমবায়েভকী মরক্তা মীশি মীনা য়াওনা খুৎ থোক্নরকখিবা মতুংদা কির্গিজষ্টানগী প্রসিদেন্ট সোরোনবাই জীনবেকোভনা রুল ওফ লো কায়হন্দনবা সিক্যুরিটিগী অথুবা থৌরাং খরা পায়খৎনবা শগোলশেল নুমিত্তা মরী লৈনবশিংদা ওর্দর তৌখ্রে।

অমরোমদা, প্রসিদেন্টকী খোঙথাং অসিগী পাউখুম ওইনা হান্নগী প্রসিদেন্ট অতমবায়েভনা পার্লিয়ামেন্টতা চঙশিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌরগনি হায়খি। করপসনগী মরাল কয়া শীবা লৈরিবা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিবু ফাননবা ওর্দর থোকখ্রবা মতুংদা এলিট সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা খঙহৌদনা মহাক্কী ময়ুমদা রেইদ অমা চথুখিবদা মহাকপু ফাবা ঙমখিদবনি।



অতমবায়েভকী সপোর্টরশিংনা চওম শানা পুন্দুনা মহাকপু ঙাক শেন্নবা কন্না হোৎনখি। থৌদোক অদুদা সপোর্টরশিংনা সিক্যুরিটি ওপরেটিভ কয়া ফাখিবগা লোয়ননা ওপরেটিভ অমদি শিখি। অতমবায়েভ অমসুং মহাক্কী সপোর্টরশিংনা নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা বিসকেক্তা রেলি পাঙথোক্কনি অমসুং পার্লিয়ামেন্ট অমদি প্রসিদেন্টগী ওফিস অনীমক লৈরিবা বিল্ডিং তম্না ওপোজিসন সপোর্টরশিংনা চঙশিনগনি হায়না লোমেকর ইরিনা করামুস্কিনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।

অতমবায়েভকী সপোর্টরশিংনা ওপরেটিভ অনী মখা তানা ফাজিন্দুনা থল্লি অমসুং এলিট সিক্যুরিটি ফোর্সকী কাঙবু অদু রেইদ অদু মপুং ফানা মায় পাক্তনা ভিলেজ অদুদগী হনখ্রে হায়না অতোপ্পা সপোর্টর অমনা ফোঙদোকখি।